**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 05-11-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) অকাশবানি ইম্ফালনা লৈবাক অসিগী অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন শাগৎনবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাং, কলচরেল আইদেন্তি ঙাকবা হোৎনরিবা অদুবু রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

২) কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট রাজ্য মন্ত্রি সাবিত্রি ঠাকুর নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎতা জিরিবামদা হয়েং থুংলগনি। গৃহ রাজ্য মন্ত্রি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

৩) রাজ্যগী ভেটরিনারি অমসুং এনিমেল হজবেন্দরি দিরেক্তরনা হায়রি- মণিপুরদা ক্লাসিকেল স্বাইন ফিভর অমসুং আফ্রিকান স্বাইন ফিভর শন্দোরক্তনা বিভাগ অসিনা কুপা য়েংশিল্লি।

৪) রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা আই.দি.পিশিংগী রসন মনি ওইনা মী অমদা নোংমগী ওইনা লুপা ৮৪ দা ফংহনবা সরকারগী থৌরাংদা আই.দি.পিশিং পেন্নদ্রে।

অমসুং

৫) বিহার বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা কেন্দ্র ১২১ দা হয়েং ভোট থাদনবা মপুং ফানা শেম শারে।

------

অকাশবানি (এল)ঃ অকাশবানি ইম্ফালনা লৈবাক অসিগী অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন শাগৎনবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাং, মণিপুরগী কলচরেল আইদেন্তি ঙাকবা লৌরিবা থৌদাং অমসুং মনুং হুঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈরিবা মীয়ামগী খোল্লাউ জাতিগী লম্বীদা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিংগী খুত্থাংদা পুখৎলকবা হোৎনরিবা অদুবু রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

অকাশবানিনা চহি ৯০ শুরকপা অমসুং অকাশবানি ইম্ফালনা মীয়ামগী সেবা তৌরকপা চহি ৬০ হেল্লকপগী থৌরমগা মরী লৈননা পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোকপা থৌরমদা শরুক য়ারদুনা রাজ্যপালনা হায়- পাব্লিক ব্রোদকাষ্টিংগী লমদা অকাশবানি ইম্ফালনা মশাগী ইন্তিগ্রিতি, প্রোফেসনেলিজম অমসুং ইনোভেসন ঙাকা থবক তৌরিবা অমদি পুং ২৪ চুপা য়ু ট্যুব লাইভ ষ্ট্রিমিং তৌরিবা অসি থাগৎনিঙাইনি। নেসনেল এৱার্দ ২২ হেন্না ফংলবা অকাশবানি ইম্ফালনা কৎথোকপগা লোয়ননা থবক তৌরি হায়বদুগী ময়েক লারবা খুদমনি।

হোংলক্লিবা মিদিয়াগী মতাংদা মহাক্কী ওইবা ৱাফমশিং ফোংদোক্লদুনা জরনেলিষ্ট অমসুং ব্রোদকাষ্টিরশিংনা অচুম্বা ঙাকা অমদি মখোয়গী থবক থৌরমদা হৌনা লোনচৎ ঙাকা থবক তৌবীনবা রাজ্যপালনা আপীল তৌরি। মহাকা হায়- জরনেলিষ্টশিং কলম অমসুং ব্রোদকাষ্টরশিংগী মাইক্রোফোন অসি য়ামা শক্তি লৈরবা খুৎলায় অমনি। মসিনা কনাগুম্বা অমবু ফহনবা অমসুং অরানবা মাইকৈদা চৎহনবসু ঙম্মী।

থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা দাইমন্দ জ্বিলি সোভিনর অমসু ফোংখি। ঙসিগী থৌরমদুদা এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেটরি অনুরাগ ভাজপায়, অকাশবানিগী দাইরেক্তর জেনেরেল রাজিভ কুমার জৈন, অকাশবানি নোর্থ ইষ্টর্ন জোনগী এদ্দিসনেল দাইরেক্তর জেনেরেল সত্যজিৎ দাসনচিংবা শরুক য়াখি।

তুংদা তোঙান তোঙানবা কলা সংস্কৃতি অমসুং নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈগী থৌরমশিং পাঙথোকখি।

রাজ্যপাল (এল)ঃ নাগা ৱিমেন্স য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট প্রিসিলা থিউমাইনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা ঙসি রাজ ভবনদা উন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা নুপীশিংগী য়াইফনবা অমসুং শেনমিৎলোন ফগৎনবা চাওখৎ থৌরাংগী পেকেজ পীবীনবা তকশিনখি। নুপীশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা, মরোমদোম লেপচবা ঙমবা অমদি শেল থুম অমসুং সভাজিক্কী ওইবা থবক থৌরমশিংদা শরুক য়াবা ঙমবা য়ুনিয়ন অসিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা রাজ্যপালনা পাউদমখি। রাজ্য অসিদা লৈরিবা শোখরবা নুপীশিংগী য়াইফ থৌরাংগীদমক পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহান্নবসু রাজ্যপালদা তকশিনখি।

এমওএস (এল)ঃ কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট রাজ্য মন্ত্রি সাবিত্রি ঠাকুর নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎতা জিরিবামদা হয়েং থুংলগনি। মহাকা জিরিবামদা লৈরিঙৈদা সরকারনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং অমসুং প্রোজেক্টশিং য়েংশিনগনি।

মরক অসিদা নুমিৎ হুমনিগী মনিপুর খোঙচৎ লোইরদুনা কেন্দ্রগী গৃহ রাজ্য মন্ত্রি-বন্দি শঞ্জয় কুমারনা ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে। মহাকা ঙসি চুরাচান্দপুর জিলাদা চত্তুনা কেন্দ্র সরকারগী মখাদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিংগী মফমশিং চত্তুনা য়েংশিনখি। মফম অদুগী লুচিংবশিং ষ্টেকহোল্ডরশিংগসু উন্নদুনা রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। মন্ত্রিনা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার, এস.পি. য়াওনা ওফিসিএলশিং উন্নদুনা মীফম পাঙথোকখি।

চান্দেল (এল) ঃ চান্দেল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসনা শিন্দুনা নিংথমগী মরু মরাং য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি জিলা অসিগী দি.সি. ওফিসকী কমপ্লেক্সতা লৈবা মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দি.সি. লাইশ্রম নন্দকুমার, দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসার, এদ্দিসনেল

দিপ্যুতি কম্মিসনার অমসুং দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার লাইশ্রম নন্দকুমারনা হায়- মণিপুর সরকারনা লৌমীশিংগী শেনমিৎলোন ফগৎহন্নবা লেপ্তুনা হোৎনদুনা লাক্লি। মহাকা হায়- মালেমদা নোংম নোংমগী মীশিং হেনগৎলকপদা মরম ওইদুনা হেনগৎলক্লিবা মীশিংগী য়েংদুনা তঙাইফদবা পোত্থোকশিং হেন্না পুথোকপগী দরকার ওইরক্লি।

থৌবাল (এল) ঃ থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাগী ওইনা নিংথম লৌরোক্কী মরু মরাং অমদি হার য়েন্থোকপগী থৌরম হয়েং পাঙথোক্কনি। মরু মরাং অমসুং হার য়েন্থোকপগী থৌরম থৌবাল জিলাগী হৈরোক লিতান মখোঙদা হয়েং পাঙথোক্কনি। মখা তানা থা অসিগী ২০ ফাওবা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পোৎলমশিং অসি য়েন্থোক্কনি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ লৌ লোকপগী থবক থৌরমশিং অমদি আইন অমসুং শান্তি রক্সা য়াওনা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংগী মতাংদা খন্ননবা বিষ্ণুপুরগী মিনি সেক্রেতরিয়েট কমপ্লেক্সকী কনফরেন্স হোলদা ঙসি মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার শ্রীমতি পুজা এলাংবমনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা চীংয়াশিংদা লৌ লোকপা মতমদা নিংথিজনা ঙাক শেন্নবা অমদি লম্বীদা গাড়িশিংনা পুখৎলকপা লৈখোম লৈনাংশিং অমদি অমোৎ অকায়শিং লৌথোকবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। মীফম অদুদা লমদম অদুদা লৈরিবা জাতি কাংলুপশিং পুন্না চাওখৎমিন্ননবা অমসুং নুংশি চান্নবা অমত্তা ওইনা লৈনবা হোৎনবদা সি.এস.ওশিংগী মরুওইবা থৌদাং লৈ হায়না দিপ্যুতি কম্মিসনারনা ফোংদোকখি। সংস্থানশিং অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক মখা তানা থবক তৌবীনবসু মহাকা আপীল তৌখি। শ্রীমতি পুজা এলাংবমনা হায়- বিষ্ণুপুর জিলাদা দেঙ্গিগী কেস নেম্লবসু মীয়াম মীকুপ নাহুম শিংনা লৈদুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

ভেটরিনারি (এল)ঃ  ক্লাসিকেল স্বাইন ফিভর অমসুং আফ্রিকান স্বাইন ফিভরগী মতাংদা নোংমগী ওইবা রাজ্য থাক্কী এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ইম্ফালগী শঞ্জেন্থোংদা লৈবা ভেটরিনারি কমপ্লেক্সকী ফারমর্স ট্রেনিং হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি- রাজ্য অসিদা লৈরিবা ওকশিং ঙাক শেন্দুনা অমদি লায়না তিলনাদগী ঙাকথোকবা পান্দমদা লৌমীশিং অমসুং ষ্টেগ হোল্ডরশিংবু হেন্না নীংথিজনা খঙহন্নবনি। ঙসিগী থৌরমদুদা ভেটরিনারি অমসুং এনিমেল হজবেন্দরিগী সেক্রেতরি এন. খেদাবর্তা সিংহ, অমজগী প্রসিদেন্ট আশেম ভক্ত সিংহ অমসুং ভেটরিনারি অমদি এনিমেল হজবেন্দরি সার্ভিসেসকী দিরেক্তর ডাঃ আর.কে. খোগেন্দ্রজিৎ সিংহ শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ডাঃ আর.কে. খোগেন্দ্রজিৎনা হায়- মণিপুরদা লৈরিবা ইমুং কয়াগী ওইনা ওক লোইবা অসি মরুওইবা শেন্থোক লম্বী অমা ওইরক্লি। রাজ্য অসিদা আফ্রিকান স্বাইন ফিভর অমসুং ক্লাসিকেল স্বাইন ফিভর শন্দোরকপ্রা হায়বদু বিভাগ অসিনা কুপা য়েংশিনবগী থবক চত্থরি। মহাকা হায়- শা ষন লোইবশিংদা লেমা বিভাগ অসিনা তোঙান তোঙানবা লায়নাশিংদগী ঙাকথোকবা হিদাক কাপ্পগী থবক চত্থরক্লি। ফুড এন্দ মাউথ দিজিজগী ওইনা ৬ শুবা রাউন্দ লোইবা ফাওবদা শা-ষন লিশিং ৬৫ হেনবদা তিকা কাপথোকখ্রে। এন্তি রেবিস ভেক্সিন লাখ ১ লিশিং ৩৮,৪২৮ কাপথোকখ্রে।

সেন্সস (এল)ঃ  সেন্সস ২০২৭ গী অহানবা তাঙ্কক্কী প্রি টেষ্ট অরবানদা শরুক য়াগদবা ইন্যুমুরেতরশিং অমদি সুপরভাইজরশিংগী ওইবা নুমিৎ হুমিগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসিদগী ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী কনফরেন্স হোলদা হৌখ্রে।

ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন, প্রিন্সিপাল সেন্সস ওফিসার ইম্ফাল অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ সেন্সস মণিপুরনা শিনবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী কম্মিসনার অমসুং প্রিন্সিপাল সেন্সস

ওফিসার অরবান- কিয়াম চন্দ্রকুমারনা হায়- অরবানগী ওইনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ৱার্দ নম্বর-১৬ চীংঙা মখাদা চখ্থগদবা প্রি টেষ্ট অসিদা মরী লৈনবশিংনা মরিক চুম্বা পাউ লৌনবা হোৎনবীয়ু। মহাকা হায়- মীকোক থীবগী থবক অসি ইং ২০২১ দা পাঙথোক্কদবা অদু কোভিদনা মরম ওইদুনা পাঙথোকপা ঙমখিদবনি।

আইদিপি (এল)ঃ  রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা আই.দি.পিশিংগী রসন মনি ওইনা মী অমদা নোংমগী ওইনা লুপা ৮৪ দা দাইরেক্ত বেনিফিৎ ত্রান্সফর তৌদুনা ফংহনগনি হায়বা সরকারগী থৌরাংদা আই.দি.পিশিং পেন্নদ্রে।

ঙসি শওম্নুং অমদি শজিৱাদা হাংলিবা প্রি-ফেব্রিকেতেদ হাউসতা লৈরিবা আই.দি.পিশিংনা শওম্নুংদা লৈবা এস.দি.ও ওফিসতা লাক্তুনা মখোয়দা পীরিবা লুপা ৮৪ গী শেনফম অদু হন্দোকখ্রে। খোইশাওনরবা আই.দি.পিশিংনা শওম্নুংগী এস.দি.ও ওফিসতা থোমজিল্লকপদা এস.দি.ও লৈরমদবদগী একজিক্যুতিভ মেজিষ্ট্রেটকা উন্নদুনা মখোয়গী শেনফমশিং অদু হন্দোক্লমখিবনি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা এপেক্স কমিতি ওফ ভিক্তিম ভিলেজরস (ইকৌ, সাদু য়েংখুমন, দোলাইথাবী, লৈতানপোকপী, মাইরেলপাৎ অমদি সাদু লম্পাক)কী কনভেনর কোইজম শরতনা হায়- চেং চাক, মনা মশিং য়াওনা নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং লুপা ৮৪ না করমা কোন্নগদৌরিবনো, মমাংদদি সরকারনা চেং পীরম্বগী মথক্তা অতোপ্পা অৱাৎ অপাশিংগীদমক মীওই অমদা লুপা ৮০ পীদুনা লাকখি। হৌজিকনা লুপা ৮৪ না চেং য়াওনা তঙাইফদবা খুদিংমক শিজিন্নগদবনি হায়রিবসি করমা ওইথোক্কদৌরিবনো। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা লৈহনবগী মহুৎতা আই.দি.পিশিংবু মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনহল্লু। মখা তানা খুদোংচাদবা কয়া মরক্তা হিংলিবা আই.দি.পিশিংবু অমুক হেন্না অৱাবা পীবা য়াবা থৌওংশিং চখ্থরবদি আই.দি.পিশিং পুন্না খোঙজং চংশিল্লগনি হায়নসু ফোংদোকখি।

তিপাইমুখ (এল)ঃ  নসা মুক্ত ভারত অভিয়ানগী মখাদা ফেরজোল জিলাগী তিপাইমুখ অমদি ভঙ্গাই রেঞ্জ সব-দিভিজনদা মীয়াম্বু নিংথিজনা খঙহনবগী থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি- ড্রগ শিজিন্নবা থিংনবা অমদি হকচাং ফনা লৈনবা হায়বসিনি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ফেরজোলনা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিসকা পুন্না শিনবা থৌরম অসিগী মরুওইবা পাউজেলদি- সে নো টু ড্রগস, য়েস ট্ লাইফ হায়বসিনি।

বিহার ঃ  বিহার বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট হয়েং থাদনবা মপুং ফানা শেম শারে। তাঙ্কক অসিদা জিলা ১৮ গী বিধান সভা কেন্দ্র ১২১ দা হয়েং অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা ভোট থাদনগনি। অদুমওইনমক, বিধান সভা কেন্দ্র খরদদি সেক্যুরিতিগী য়েংলগা নুংথিল পুং ৫ ফাওবদা ভোৎ থাদগনি। মীখল অসিদা নিয়ম চুমা অমসুং শান্তি ওইনা মীখল পাঙথোকবগীদমক সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি। তাঙ্কক অসিদা ভোতর কোতি ৩ লাখ ৭৫ না মীরেপ লিশিং ১,৩১৪ গী মরাইবক লেপকনি। মীরেপশিং অসিগী মনুংদা নুপী মীরেপ ১২২ অমসুং ত্রান্সজেন্দর ১ য়াওরি। তাঙ্কক অসিদা এন.দি.এগী ওইনা জে.দি.য়ুনা খ্বাইদগী মশিং য়ামা সিট ৫৭ তা, বি.জে.পিনা সিট ৪৮ দা, এল.জে.পি (রাম বিলাস)না সিট ১৪ দা অমসুং রাষ্ট্রিয়া লোক মোর্চানা সিট ২ দা মীরেপ থাগৎলি। মহগট বন্ধনগী ওইনা আর.জে.দিনা খ্বাইদগী মশিং য়ামা মীরেপ ৭৩, কংগ্রেসনা ২৪ অমসুং সি.পি.আই (এম.এল)না মীরেপ ১৪ থাদোক্লি। তাঙ্কক অসিদা নৌনা শেমখিবা রাজনীতি দল জন শুরজ পার্তিনা মীরেপ ১১৯ থাগৎলি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল ঃ  ৩ লক সুবা মণিপুর প্রেমিয়র লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা অসুফি ফুটবোল একাদমি মাওনা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিয়েসন

(অমোফা)বু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে। সেক্তাদা লৈবা এস.এস.সি গ্রাউন্দদা চথরিবা লিগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনিসুবা মেটচতা ময়াংইম্ফাল য়ুনাইতেদ এফ.সিনা ইম্ফাল য়ুথ এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখি।

ফুটবোল ঃ ২৫ রক শুবা সুপর দিভিজন ফুটবোল লিগ তুরনামেন্ট ২০২৫ দা ঙসি য়ুথ ৱেলফ্যার ক্লব মালোমনা চজিং ইনাৎ কনবা লুপ (চিকন) লিলোংবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চথরিবা তুরনামেন্ট অসিগী মখা তারকপা মেটচতা হয়েং পময়াল পাৎশোই পার্ট-টু অমদি জ্বেনাইল ক্লব শগোলবন্দ তেরানা লম্বা তৌনগনি।

ফুটবোলঃ পোল ষ্টার কলেজ-ৱাবগাইনা শিনদুনা চথরিবা অয়েকপম প্রতাব সিংহ মেমোরিএল মনিপুর য়ুনিভরসিতি ইন্টর কলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা নাওরেম বিরাহরি কলেজনা লিবরেল কলেজবু পেনালতি সুটআইটতা পাঞ্জল ৬-৪ দা মায়থিবা পীখ্রে। অনিসুবা মেটচতা এন.জি. কলেজনা কমাখ্যা পেমতোন কলেজবু পেনালটি সুটআউটতা পাঞ্জল ৫-৪ দা মায়থিবা পীখি। অহুমসুবা মেটচতনা প্রভাবতি কলেজনা ইম্ফাল কলেজবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখি।

ফুটবোল ঃ সেক্তর হেদ ক্বাটর-সি.আই. ওপরেসন, বি.এস.এফ. মনিপুরনা শিনদুনা লমলোং টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা লৈখিদ্রবা বির চক্র ফংখ্রবা কন্সটেবল-দিপক চিংঙাখমবু ইকায় খুমবা উৎতুনা চথরিবা ষ্টেট লেবেল অন্দর ফিফটিন বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এম.য়ু.এফ.এ অমদি জি.এফ.এ পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখ্রে। কে.আই.ৱাই.সি এফ.এনা ইমা এফ.এবু পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

------